**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 10-10.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- সরকারনা ইং ২০১৭-১৮ দগী হৌনা লেবর দিপার্টমেন্টকী মখাদা শিন্মীশিংদা তোঙান তোঙানবা মখলগী কান্নবশিং পীদুনা লাক্লি।

২) রাজ্য মন্ত্রি মন্দলগী ঙসি পাঙথোকখিবা মীফমনা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে।

৩) পান্থোইবী ইরাৎপা অমসুং দুর্গা পুজাগা মরী লৈননা রাজ্যপাল লক্ষ্মন প্রসাদ অচারিয়া অমসুং মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন য়াওনা লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

৪) ৱার্ল্ড মেন্টেল হেলথ ডেগী থৌরম ঙসি মণিপুরদসু পাক শন্না পাঙথোকখি।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ভারতকী এক্ট ইষ্ট পোলিসিনা অসিয়ান লৈবাকশিংগা খুৎশমদুনা চাওখৎপগী মাইকৈদা মাংজিল থানা চংশিন্নবা হোৎনরি।

------

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- সরকারনা ইং ২০১৭-১৮ দগী হৌনা লেবর দিপার্টমেন্টকী মখাদা শিন্নীশিংদা তোঙান তোঙানবা মখলগী কান্নবশিং পীদুনা লাক্লি।

মণিপুর বিল্ডিং এন্দ আদর কন্সত্রক্সন ৱার্করস ৱেলফ্যার বোর্দনা শিন্দুনা ঙসি তাকয়েলপাৎতা লৈবা আই.টি.আই কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা বি.ও.সি ৱার্করশিংগী ত্রেনিং সেন্তর অমসুং নাইট সেল্টর অহুম হাংদোকপগী থৌরমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- হায়রিবা মতম অসিগী মমাংদদি লেবর দিপার্টমেন্ট অসি মমিংতগী ওইনা লৈরম্মী। শিন্নীশিংগী লেবর কার্দ মশিং য়ামা শাদুনা মখোয়দা থাগী ওইনা অমদি চহিগী ওইনা পীবা য়াবা তেংবাং কয়া পীরি। মসিগী মথক্তা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা নুপীশিংদা হেন্না শক্তি পীনবা লৌখৎলকপা খোঙথাংশিংগী শরুক অমা ওইনা লেবর দিপার্টমেন্ট খক্তদা নত্তনা অতৈ দিপার্টমেন্ট কয়াগী মখাদা নুপীশিংগী হিংবগী থাক ৱাংখৎহন্নবা থৌশিল থৌরাং কয়া পায়খৎলি। খোঙথাং অসিগী শরুক অমা ওইনা অরাপ্পদগী লাক্লগা থবক শুরিবী নুপীশিংগী লৈফম চাফম ওইনা ৱার্কিং ৱিমেন হোষ্টেল ১০ তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা শানবা থৌরাং তৌরে। তাকয়েলদসু নহারোলশিংদা স্কিল দিভলপমেন্ট পীনবগী পান্দমদা লুপা কোতি ১০ চংবা সেন্তর অমা শারগনি।

থৌরম অদুদা স্কিল, লেবর, ইমপ্লোইমেন্ট এন্দ ওন্তরপ্রেন্যুরসিপ মন্ত্রি হৈখাম দিঙ্গোনা হায়- মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেনগী লমজিং মখাদা বি.জে.পি সরকারনা কন্না হোৎনবদগী ফমুং ১০০ লৈবা নাইট সেল্টর অহুম হাংদোকপা ঙম্লিবনি। মসিনা অরাপ্পা মফমদগী লাক্কুনা থবক শুবা মীওইশিংগী লেকফম চাফমগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরম্বা অদু হন্থহনবা ঙম্লগনি।

কেবিনেট (এল)ঃ রাজ্য মন্ত্রি মন্দলগী ঙসি পাঙথোকখিবা মীফমনা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে। ইম্ফালদা লৈবা মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা মাফম অদুনা জোজাংতেক্তা পুলিস আউটপোষ্ট অমা অমসুং নুংসাই ভিলেজদা পুলিস ষ্টেসন

অমা থমনবা অমসুং সিংদা ডামদা ইরেং পুলিস আউটপোষ্ট অমা থমবসু ৱারেপ লৌখি।

রাজ্যগী ইনফোর্মেসন এন্দ পাব্লিক রিলেসন্স মন্ত্রি ডাঃ শাপম রঞ্জন্না ঙসি নুংথিল পাউমীশিংদা মন্ত্রি মন্দলগী মীফম মতাংদা ফোংদোক্লদুনা হায়- সেনাপতিদা ইন্দিজিনস স্পোর্টস কমপ্লেক্স অমা শাননবা লম পীবা অমসুং লৈশাংথেম অমদি তেকচমদা সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট প্রোসেসিং ফেসিলিতিশিং থমবসু মন্ত্রি মন্দলগী মীফমনা অয়াবা পীখ্রে। মণিপুর ইনভেষ্টমেন্ট পোলিসি অমা শেমদুনা ত্রেদ এন্দ কম্মর্স চাউখৎহন্নবগী মতাংদসু ৱারেপ লৌখি। সরকারনা পায়খৎপা স্কিমশিংগী কান্নবা ফংফম থোকপা খুলশিং অমদি মীওইশিং খক্তদা পীননবসু মন্ত্রি মন্দলগী মীফমনা ৱারেপ লৌখি।

মেসেজ (এল)ঃ পান্থোইবী ইরাৎপা অমসুং দুর্গা পুজাগী থৌরম পাঙথোকরি। অদুমওইনমক রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিনা, মহৌশাগুমা লৈকাই লৈকাইদা ক্লব অমদি লন্নাই সংস্থান কয়ানা চাউনা ইরাৎ থৌনি তৌবদি উদ্রে।

পান্থোইবী ইরাৎপা, দুর্গা ষ্টামি, দুর্গা পুজানা লাকপদা রাজ্যপাল লক্ষমন প্রসাদ অচারিয়া, মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহ য়াওনা লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

রাজ্যপালগী পাউজেলদা শ্রী অচারিয়ানা হায়- কুম্মৈ অসিনা লাকপদা অফবনা ফত্তববু মায়থিবা পী হায়বদু নিংশিংবগা লোয়ননা নহা, অহল খাক্তনা মীয়ামা কুম্মৈ অসিদা শরুক য়ারি। কুম্মৈ অসি ধর্ম্মগী ওইবা চৎনবীগা লোয়ননা পাঙথোকপা খক নত্তনা মীয়াম মরক্তা অপুনবগী শক্তম শাগৎপদা চাউনা মতেং পাংবা ওইরসনু হায়রি।

মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না পীবা পাউজেলদা হায়- কুম্মৈ অসিনা লাকপদা দুর্গা লাইরেম্বীনা থৌজাল পীবীদুনা ঐখোয়না থেংনরিবা শিংনবশিং অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা থৌনা লিংজেলগা লোয়ননা থেংনবা ঙম্বা ওইরসনু।

মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যাবর্তানসু রাজ্য অসিগী মীয়ামদা দুর্গা পুজাগা মরী লৈননা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

এআইআর(এল)ঃ আকাশবানি ইম্ফালগী মণিপুরী জেনেরেল এন্নাউনসর লৌবগী অইবা চাংয়েংদা মায় পাক্লবশিংগী ওদিসন, ভোইস টেষ্ট হয়েংদগী হৌরগনি। সেরিয়েল নম্বর ১ দগী ৪১ ফাওবগী কেন্দিদেটশিংনা অয়ুক পুং ৯ মিনিত ৪৫ ফাওবদা ভোইস টেষ্টকীদমক রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি।

ডে (এল)ঃ ৱার্ল্ড মেন্টেল হেলথ ডেগী থৌরম ঙসি নোর্থ এ.ও.সিদা লৈবা হোটেল ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে।

'ইট ইজ টাইম টু প্রায়োরিটাইজ মেন্টেল হেলথ ইন দা ৱার্ক প্লেস' হায়বা হীরমদা নেসনেল মেন্টেল হেলথ প্রোগ্রাম, নেসনেল হেলথ মীসন অমসুং দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সাভির্সেস মনিপুরনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুম্বাল মন্ত্রি-ডা: সাপম রঞ্জন সিংহনা হায়-মেন্টেল হেলথ হায়বসি হৌজিক মালেমগী ওইনা য়ামা মরুওইবা ৱাফম অমা ওইরক্লি। মরমদি, হৌজিক্কী মতমদা মখল মখা কয়াগী থৌদোক ৱাথোক কয়া থোকপা অমসুং অতৈ মরম কয়াদগী মীওইবগী পুন্সিদা খুদোংচাদবা কয়া থেংনরি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা মেন্টেল হেলথ এৱারনেস রেল্লি অমসু হকশেল মন্ত্রি-ডা: সাপম রঞ্জননা হোটেল ইম্ফালদগী লমথাখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা অয়ুক অঙনবদা লাই য়েকপা চাংদমবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী দিপার্টমেন্ট ওফ সাইকোলোজিনা শিনদুনা য়ুনিভরসিতি অসিগী কোর্ট হোলদসু ঙসি পালন থৌরম অসি পাঙথোকখি। থোরম অদুদা লোক সভাগী এম.পি. ডা: অঙোমচা বিমোল অকোইজম, রিমসকী সাইক্রেটি দিপার্টমেন্টকী প্রোফেসার অমদি হান্নগী হেদ-ডা: আর.কে. লেনিন সিংহ শরুক য়াখি।

রিজিনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) নসু ৱার্ল্ড মেন্টেল হেলথ ডে ২০২৪ ঙসি রিমসকী জল্লি হোলদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা ইন্সটিট্যুট অসিগী দাইরেক্তর-প্রোফেসার-জি. সুনিলকুমার শর্ম্মা, মেদিকেল সুপরিনটেন্দেন্ট-ডা: নেপ্রম সঞ্জিব সিংহনচিংবা শরুক য়াখি।

থৌরম অসি নোনে জিলাগী মকাম হোস্পিতাল এন্দ রিছার্স ইন্সটিট্যুট-লোংমাইনসু শিনদুনা ইন্সটিট্যুট হৌজিক পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা কাউন্সেল্লিং সাইকোলোজিষ্ট-ডা: দিনসিবৌ পানমৈ অমদি রিমসকী দ্রগ ত্রিটমেন্ট স্পিসিএলিষ্ট ডা: জিনা বদিংথোইনা রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখি।

চান্দেল জিলাগী কোন্নাথাবীদা লৈবা সাউথ ইষ্ট মণিপুর কলেজদু পালন থৌরম অসি পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা কলেজ অসিগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার সরবম রাইন চুংসিননা ৱা ঙাংখি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুংদা লৈবা পি.ঐচ.সি, এ.এ.এম অমসুং য়ু.পি.ঐচ.সিশিংদসু ঙসি ৱার্ল্ড মেন্টেল হেলথ ডেগী থৌরম পাক শন্না পাঙথোক খি।

সাইট ডে (এল)ঃ রিমসকী ওপথালমোলোজি দিপার্টমেন্টনা শিনদুনা ৱার্ল্ড সাইট ডে ২০২৪ ঙসি রিমস হোস্পিতালগী জেনরেল ও.পি.দি. কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।

প্রাইয়োরিটাইজ চাইল্ড আই হেলথ হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা রিমসকী দাইরেক্তর-জি. সুনিলকুমার শর্ম্মনা হায়- অঙাংশিংনা মোবাইল শিজিন্নবগী চাং হেনগৎলক্তুনা মীৎ শোক্লক্লিবা অসিদগী খরদা ওইরবসু ঙাকথোকপা ঙমনবা অঙাংশিংবু নোংমগী মনুংদা পুং অমা অনিরোমদি মপানদা পুথোক্তুনা শান্নহনবা তঙাইফদে। থৌরমগা মরী লৈননা পুথোকপা অতেনবা ভিদিও অমসু দিরেক্তরনা রিলিজ তৌখি।

কংগ্রেস (এল)ঃ হান্নগী মন্ত্রি লাংপোক্লাকপম জয়েন্তকুমার য়াওনা মীওই ৯ ঙসি মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতিদা য়াওখ্রে। ইম্ফালগী কংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা মখোয়বু এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ট কে. মেঘচন্দ্র, সি.এল.পি লুচিংবা ও. ইবোবী, সি.দব্লিউ.সিগী মেম্বর গাইখাঙমা য়াওনা দলগী লুচিংবা কয়ানা তরামা ওকখি। নৌনা দল অসিদা য়াওরবশিংগী মনুংদা ইং ২০২২ গী মণিপুর বিধান সভা মীখলদা শিংজমৈ কেন্দ্রদগী এন.পি.পিগী মীরেপ ওইখিবা ওইনাম রোমেন সিংহ , হান্নগী জিলা পরিষদ মেম্বর অমসুং হান্নগী কাউন্সিল্লরশিং য়াওরি।

উখ্রুল (এল)ঃ অহুমসুবা হোরদ্রাওন ফ্লাৱার ফেষ্টিভেল উখ্রুল জিলাগী চিঙাই ব্লোক্তা লৈবা পাউরৈ ভিলেজদা হৌখ্রে। হৌদোকপগী থৌরম জেসামিগী এস.দি.ও- দুনা দো শরুক য়াখি।

ঐখোয়গী উখ্রুল পাউমী সোথিং সিমরেনা হায়- খুল অসিদা লম কোয়বশিং লাকপগী চাং হেনগৎহন্নবগী পান্দমদা ফেষ্টিভেল অসি পাঙথোকপনি। চহি খুদিংগী ওইনা ফেষ্টিভেল অসি পাঙথোকপা মতমদা লম কোয়বা মীওইশিং লাকপগা চাং হেনগৎলক্লি।

রাজর্ষি (এল)ঃ রাজর্ষি ভাগ্যচান্দ্র কলচরেল ফাউন্দেসন মণিপুর অমদি জে.এন. মণিপুর ডান্স একাদমিনা শিন্দুনা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র লৈখিদবগী চহি ২২৬ শুরকপা পালন থৌরম, নট সংকৃটন অমসুং রাস লিলাগা লোয়ননা উত্তর প্রদেশকী অযোধ্যাগী রাম মন্দির, বৃন্দাবন অমদি রাধা কুন্দদা নুমিৎ হুমি চুপা পাঙথোরকখিবা থৌরম অদু ঙরাং লোইশিনখ্রে। থৌরম অদুদা জে.এন. মণিপুর ডান্স একাদিমগী দিরেক্তর পি. বিলাস, রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র কলচরেল ফাউন্দেসন মণিপুরগী মীহুৎশিং অমসুং ষ্টেট কলা একাদমি নিউ দিল্লিগী মীহুৎশিং শরুক য়াখি।

আরটিআই (এল)ঃ  মণিপুর ইনফোর্মেসন কম্মিসন্না শিন্দুনা চখ্থরকপা রাইট টু ইনফোর্মেসন এক্ট (আর.টি.আই) ৱিক ২০২৪ গী লোইশিনবগী থৌরম ঙসি ইম্ফালগী মেজোরদা খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা হিল এরিয়া কমিতিগী চেয়ারপার্সন দিনগাংলুং গাংমৈ, মণিপুর য়ুনিভর্সিতি ওফ কলচরগী ভাইস চান্সেল্লর পাউনম গুনিন্দ্রো, ষ্টেট চীফ ইনফোর্মেসন কম্মিসনার কোইজম রাধাশ্যাম অমসুং হান্নগী ষ্টেট চীফ ইনফোর্মেসন কম্মিসনার (ইনচার্জ) ওইনাম শুনিল শরুক য়াখি। থৌরম অসিগী মনুংদা আর.টি.আইগী মতাংদা থা অসিগী ৭ তা পাঙথোকখিবা রাজ্য থাক্কী লাইয়েকপা চাংদমবদা মকোক মথং তারবশিংদা মনা পীখি।

জ্বিলি (এল)ঃ  চহি অমা চুপনা চখ্থরকপা শওন্মুং সঙ্গিৎ সমাজগী দাইমন্দ জ্বিলি সেলেব্রেসন ঙসি লোইশিনখ্রে। লোইশিনবগী থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফটস দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসনগী চেয়ারমেন অমসুং লম্লাই কেন্দ্রগী এম.এল.এ- খোংবানতাবম ইবোমচানা হায়- শওন্মুং সঙ্গিৎ সমাজনা আর্টিষ্টশিং য়োকখৎপগী লমদা লৌরিবা থৌদাং থোইদোকা থাগৎনিঙাইনি। সঙ্গিৎ সমাজ অসিগী লোইশিনবা ঙমদনা লৈরিবা বিল্ডিং শেমগৎ শাগৎপগী থবক মহাকা মখা চখ্থরগনি হায়নসু শ্রী ইবোমচানা মখা তানা ফোংদোকখি।

অসিয়ান ঃ  প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ভারতকী এক্ট ইষ্ট পোলিসিনা অসিয়ান লৈবাকশিংগা খুৎশমদুনা চাওখৎপগী মাইকৈদা মাংজিল থানা চংশিন্নবা হোৎনরি।

ভিয়েটনামদা ইন্দিয়া-অসিয়ান সম্মিৎতা ৱা ঙাংলদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- ২১ শুবা চহি চা অসি ভারত অমসুং অসিয়ান লৈবাকশিংগী মতমনি। মহাকা হায়- ভারত অমসুং অসিয়ান লৈবাকশিং অসি শান্তি পামজবা লৈবাকশিংনি। লৈবাকশিং অসিগী মরক্তা অমনা অমগী নেসনেল ইন্তিগ্রিতি অমসুং নীংখা তম্ববু

ইকায় খুমনা চৎলি। মালেমগী ওইনা চয়েৎনবা অমসুং শাওনবা কয়াগী মরক অসিদা অসিয়ান লৈবাকশিংগী মরক্তা মরুপ মপাং ওইবা, অমগা অমগা তেংবাংনবা অমসুং ৱারী শন্নদুনা অফবা মাইকৈরোমদা চৎননবা হোৎনরিবা অসি য়ামা মরুওইবা অমনি।

ইজ্‌কেসন (এল)ঃ  নিট অমসুং জি পরিক্ষা থানিংবশিংগীদমক চীফ মিনিষ্টরস কোচিং স্কিম ফোর এন্ট্রান্স একজামিনেসন টু প্রোফেসনেল কোর্সেসকী মখাদা ওন লাইন কোচিং ক্লাস পাঙথোক্লগনি। রাজ্যগী ইদুকেসন-এস বিভাগনা শিন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা কোচিং অসিদা ক্লাস তুয়েল্ব তল্লিবা অমসুং ক্লাস তুয়েল্ব পাস তৌরবা মহৈরোইশিংনা য়াওবা য়াগনি হায়রি।

কাউন্সেল্লিং (এল)ঃ  নেসনেল হেলথ মিসনগী মখাদা ষ্টেট টেলিমানস সেল অমসুং এলদর লাইনগা পুন্না খুৎশমদুনা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চন্না লৈবা নোংপোক ককচিংদা লৈবা ওল্ড এজ হোমদা মেন্টেল হেলথ এৱারনেস কম কাউন্সেল্লিং সেসন অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ষ্টেট টেলিমানস সেলগী কাউন্সেল্লরশিংনা মীওই ১৬ তা কাউন্সেল্লিং পীখি। কনাগুম্বনা টেলি মানস সেলদগী অকুপ্পা ঈ-পাউ খঙনিংলবদি টোল ফ্রি নম্বর **14416** তা কোল তৌরকপা য়াগনি হায়রি।

কোর্স (এল)ঃ  মণিপুর ষ্টেট ভারত স্কাউটস এন্দ গাইদসনা শিন্দুনা হৌখিবা থা অসিগী ৫ দগী হৌদুনা নুমিৎ মঙানি চুপা লাঙ্গোলদা লৈবা ষ্টেট ট্রেনিং সেন্তরদা চথুরকপা ষ্টেট লেবেল স্পিসিয়েল স্কিল দিভলপমেন্ট ট্রেনিং কোর্স ঙসি লোইশিনখ্রে। ট্রেনিং মনুংদা ইলেক্ট্রিক ফিট তৌবা, য়ুমগী গ্যাস ষ্টোপ শেমজিনবা, য়োৎ ককপা, য়োৎ শৌবা অমসুং ৱা অমদি প্লাষ্টিক বোট্টলদগী শুমজিৎ শাবনচিংবা স্কিল কয়া তাকপী তম্বীখি হায়রি।

------